# ফৌরক্তা ঙানু থাদোকপগী কান্নবশিং

- ডা. সরাংথেম জেসমারানি -

ঐখোয়গী লমদমসিদদি চাক্লা মরুওইনা চান্নবনা ফৌসি মফম খুদিংমক্তা থানরি। হৌজিক্কী মতমদদি ফৌ থাবা মতমদা হার হাপ্পনা মমাঙ থানা চৎলি। মরমদি ষষ্টি-ষণয়ুংসি মরাং কায়না ফংদবনা। ষষ্টি-ষণয়ুং নৎত্রগা অতোপ্পা ওক, হামেঙ, ঙানু, য়েন অসিনচিংবগী মথি-ময়ুংসু হার ওইনা শীজিন্নবা য়াই। হৌজিক্কী মতমসি ওর্গানিক ফার্মিংলোমদা মায় ওনশিনবা মতমনি। মরম অসিনা শা-ষণ, য়েন, ঙানু ময়ামসি য়োক্তুনা রসায়নগী হার হাপ্পগী মহুত্তা মথি-ময়ুং ময়ামসি শীজিন্নদুনা ফৌ হেন্না পুথোক্লবা হোৎনবা অমদি ফৌদা তাবা তীল-কাঙ ময়াম অসিসু ঙানুগা ফৌগা পূন্না য়োকমিন্নরগা ঙানুগী মচিঞ্জাক ওইদুনা হেন্না শেন্দোং লৈবা ফার্মিং সিষ্টেম অমা ওন্থোকপা য়াই।

ফৌগা ঙানুগা য়োকমিন্নবনা ফৌগী পোৎথোক হেনগৎপদা নত্তনা ঙানু য়োকপা মতমদসু মচিঞ্জাক ইচং চঙদনা ঙানু মরুম অমদি ঙানু মশা চাবগীসু হেন্না খুদোংচাবা ফংবা ঙমগনি। মসিদসু নত্তনা ঙানুগী মথিনা ফৌ পাম্বীনা চঙগদবা অয়াম্বা ন্যুট্রিয়েন্ট পীবা ঙমহল্লি। ঙানুগা ফৌগা পূন্না য়োকমিন্নবা মতমদদি পামফেন্দগী লীংবনা হেন্না ফৈ। পামফেন্দা তৌবসিনা ঙানুনা চৎপা মতমদা ফৌ নেৎথৎপগী চাং য়াম্না ৱাংই। ঙানুশিং চৎথোক চৎশিন্দা নুংঙাইহন্দে। ফৌ লীংবা মতমদসু ২০ cm x ২০ cm গী চাংদা লীংবনা হেন্না ফৈ। মসিনা ঙানুনা ফৌরক্তা চৎথোক চৎশিন তৌবা মতমদা ফৌ নেৎশিনবগী চাং য়াম্না হন্থহল্লি।

**ঙানু ফৌরক্তা থম্বগী মতম ঃ**

ফৌ লীংখ্রবা নুমিৎ ২৫ নিগী মতুংদগী ঙানু মচা নুমিৎ ২০ দগী থা অমা ফাওবসি ফৌরক্তা থম্বীবা য়ারে। লৌ পরি অমদা ঙানু ২০০-৩০০ ফাওবা থম্বা য়াই। অহানবা নুমিৎ ৭ নিদি নোংমদা পুং ২-৪ ফাওবদং থম্বীগদবনি। মসিগী মতুংদা অয়ূক্তা পুং ৮-৯ দগী থাদোকপীরগা নুমিদাংৱাইরম পুং ৪-৫ দা লোইশিনবীবা। হায়রিবা মতমসিদা অতোপ্পা শাশিংনা ঙানু



চাখিদনবা চেকশিনবীগনি। ফৌনা লংচাক লাকপা মতমদা ঙানুশিংসি ফৌরক্তা চাবদগী তোকহনবীরগা অতোপ্পা মফমদা থম্বীদুনা মখা তানা লোয়বীবা য়াই।

**ফৌগা ঙানুগা পূন্না লোইমিন্নবগী কান্নবশিং ঃ**

- পান্দোং অমদা য়াওগদবা ফৌ মচাশিংগী মশীং হেনগৎহল্লি। চরোং অমদা য়াওগদবা ফৌগী মশীংসু হেনগৎহল্লি। মসিদসু নত্তনা চাংচত্তা লুমগদবা ফৌগী অরুম্বগী চাং অমদি ফৌথোকসু হেনগৎহল্লি।

- ফৌরক্তা লৈবা মখল কয়াগী তীলশিং ঙানুনা ফাদোকহল্লি। শম্না চহী মরি মঙাসিদা য়াম্না তোয়না থেংনরিবা মখল কয়াগী হোপরশিং ফাদোক্তুনা তীলশিং তাবগী চাং য়াম্না হন্থহল্লি।

- ফৌরক্তা চোংখৎলকপা অনৌবা নাপী অমদি নাপীগী মরূশিং ঙানু মচিন্না হন-হন্দুনা চারবনিনা নাপী হৌবগী চাং অদুক্কী মতিক হন্থহল্লি। মসিদসু নত্তনা ঙানুনা চৎপা মতমদা ঈশিংদা ওক্সিজেন মরাং কায়না ফংহন্দুনা ফৌ পাম্বীদু শাহৌ ফনা হৌবা ঙমহল্লি।

- ঙানু মথিনা লৈবাক লৈহাওদা য়াওবা নাইট্রোজেন, পোটাসিয়ম, ফোসফোরস, কেলসিয়ম অমদি সলফরগী চাং ৱাংহনবা ঙম্মী।

- ঙানুনা ফৌরক্তা চৎপা মতমদা লৈবাক্তা নুংশিৎ নুংশা চঙহনবদা অচৌবা মতেং পাঙই অমদি ফত্তবা গ্যাসশিং ফমজিন্দুনা লৈহন্দে।

- ঙানুগী মচিন্না হন-হন্দুনা চাবদা লৈবাকশিংদু হোম হোম লাউহল্লি অমদি চৎপা মতমদা ন্যুট্রিয়েন্ট ময়াম ফাজিন্দুনা থম্বা ঙমহল্লি।

- ঙানুসু ফৌরক্তা লৈরবনিনা অফং অফংবা মখল কয়াগী মচিঞ্জাক ফংবনা য়াম্না থুনা চাউহল্লি অমদি অহেনবা মচিঞ্জাক পীজবগী চাং হন্থহল্লি।

- ফৌগা ঙানুগা পূন্না য়োকমিন্নবসিনা ইনকম হেন্না লাকহল্লি। ফৌ থাবদা চঙগদবা শেঞ্জং হন্থহল্লি। মসিনা মরম ওইদুনা ফৌথোক হেনগৎহল্লি। মসিগী মথক্তা ঙানুদগীসু অহেনবা শেন্দোং লাকহল্লি।

- ফৌগা ঙানুগা পূন্না য়োকমিন্নবনিনা ইন্সেক্টিদাইদ, কেমিকেল ফর্টিলাইজরগী চঙগদবা চাং হন্থহল্লি।

কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র, থৌবালনা ফার্মরস ফিল্ডদা ত্রাইয়েল তৌবা মতমদা ঙানুখক্তা লোয়বা মতমদা লাক্লিবা বিনিফিট কোস রেসিওসি ১:১.৪ নি অদুগা ফৌখক্তদনা ১:১.৩ নি। অমরোমদা ফৌগা ঙানুগা পূন্না য়োকমিন্নবা মতমদা হায়বদি ফৌ পরি অমদা ঙানু ২০০ গা পূন্না য়োকমিন্নবদা ফংলিবা রেসিওসি ১:২.২ নি।

অসুম্না অমমম লোয়বগী মহুত্তা পূন্না লোয়বনা শেন্দোং লৈবা হেল্লি অমদি অকোয়বগী ফীভম ফগৎহনবদা নত্তনা ওর্গানিক ফার্মিংলোমদা খোঙ থাংজিন্দুনা অফবা চিঞ্জাক পুথোক্লবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং পাঙবা ঙমহল্লি। ●

# ফৌ থাবদা জিঙ্ক শীজিন্নবগী কান্নবা

ডা. ৱাইখোম জিতেন

ফৌনা মপূং ওইবা চিঞ্জাক ওইবা মণিপুরগুম্বা লমদমদা ফৌগী পোৎথোক হেনগৎহন্নবা অমদি ঐখোয় মীওইবনা নোংমগী মনুংদা লৌশিনফম থোকপা জিঙ্কশিং ফংনবগীদমক ফৌদা তোঙান তোঙানবা মওংদা জিঙ্ক শীজিন্নবীগদবনি। ইন্দিয়াগী ওইনা অপূনবা মীশিংগী চাদা ৭০দি ফৌনা মপূং ওইবা চিঞ্জাক ওইরি অদুগা মণিপুরগুম্বা লমদমদদি ফৌ হায়বসিনা অমত্তা ঙাইরবা মপূং ওইবা চিঞ্জাক ওইরি। মীশিংনা নোংম-নোংমগী হেনগৎলকপগা লোয়ননা ফৌগী দরকার লৈবসু হেনগৎলকই। হেনগৎলিবা দরকার লৈবা অসি কোন্ননবা পোত্থোক হেনগৎহন্নবগীদমক ফৌ থাগদবা লম পাকথোক চাওথোকহন্নবগী ওইথোকপসু নোংম-নোংমগী হন্থরকপনা মরম ওইরগা নাইট্রোজেন, ফোসফরস অমসুং পোটাসিয়ম চাং চানা পীবগী মথক্তা পাম্বীশিংনা চাং ৱাংদনা দরকার লৈবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক অমা ওইরিবা জিঙ্ককুম্বসু চাং চানা পীদুনা ফৌগী পোত্থোক হেনগৎহনবগী মতম ওইরে।

ইন্দিয়াগী ওইনা ফৌ থারিবা অপূনবা লমগী চাদা ৫০ মুক্তি জিঙ্ক ৱাৎপগী অৱাবা মায়োক্লরি। অমরোমদা অমুক ঈশিং তুংশিন্দুনা লৈবা মফমশিংদা পাম্বীশিংনা জিঙ্ক লৌখৎপা ঙম্বগী শক্তি নেমই। লৈবাক লৈহাওনা জিঙ্ক ৱাৎপগী অৱাবা মায়োক্লবগা লোয়ননা ঈশিং তুংশিন্দুনা লৈবা মফমদা হৌবা পাম্বী অমা ওইবনা ফৌ থাবা লৌফমশিং অয়াম্বা মতমদা জিঙ্ক ৱাৎপনা মরম ওইদুনা পোত্থোক হন্থে অমদি অসিগুম্বা পোত্থোকশিং অসিবু চারিবা মীওইশিংদসু জিঙ্ক ৱাৎপগী মায়োক্লরকই।

পাম্বীশিংগী মনুংদা পাঙথোক্লিবা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিং মপূং ফাহন্নবগীদমক জিঙ্ক অসি চঙদ্রবা য়াদ্রবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক অমনি। খুদম ওইনা পঞ্জরবদা নুংশা মঙালগী মতেংনা মচিঞ্জাক শুংবদা, ক্লোরোফিল হায়বা পাম্বীগী অশংবা শরুকশিং শেম শাবা, এঞ্জাইম মখল খরা শেম শাবা অমদি মথৌ পাঙথোকপা, পাম্বীশিংবু চাওখৎহনবদা চঙবা Auxin কৌবা গ্রোথ হোর্মোন শুংবদা জিঙ্ক অসি চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎচঙ অমা ওই। পাম্বীশিংনা চনাংগী শরুকশিং শুংবা, লৈগী লৈরিক শেম্বা, মরূ শেম শাবা পাম্বীশিংনা মপূং মরৈ ফাহনবগা লোয়ননা পারি পুরিগী মগুণশিং ঙাক্তুনা থম্বগা লোয়ননা মগুণশিং ফোঙদোকহনবদা জিঙ্ক অসি তঙাইফদনা চঙই। লৌ পরি অমগী লৌফমদা ফৌ কেজি ৫০০ হায়বদি ফৌবোৎ ১০০ থোকপা মতমদা লৌফমদগী জিঙ্ক ৩০০ খক লৌথোকখি অদুগা অপূনবা লৌখৎখিবা শরুক অদুগী চাদা ৬০না চরূদা য়াওরগা চাদা ৪০ খক ফৌদা য়াওরকই। লৌফমদগী জিঙ্ক য়াম্না ফৌনা লৌখৎপা ঙমদ্রবসু ঐখোয়না লৌফমদা জিঙ্ক হাপ্পদি চাং য়াম্না হাপ্তুবা য়াদে। মরমদি তোঙান তোঙানবা মরম কয়ানা ফৌনা লৌফমদগী জিঙ্ক লৌখৎপদা অথিংবা পীবগা লোয়ননা মতুং তারকপদা থাগদবা পাম্বীশিংগী শীজিন্ননবা লৌফমদা তুংশিন্দুনা লৈহৌই। অসুম্না জিঙ্ক অসি চহী ৩-৪ খুদিংগী লৌফমদা অমুক অমুক হাপ্পা নৎত্রগা পম্পকী মতেংনা ফৌনাদা কাপ্পীদুনা থারিবা ফৌ অদুদা ফংহন্নবা হোৎনগদবনি।

জিঙ্ক ৱাৎপা লৈবাক্তা থাবা ফৌ অমদি মনা মশিংনা মপূং ওইবা চিঞ্জাক ওইবা, শা-ঙাগী পোত্থোক কা হেন্না শীজিন্নদবা ইন্দিয়াগুম্বা চালখৎলক্লিবা লৈবাক্তা লৈবা মীয়ামদা জিঙ্ক ৱাৎপগী অৱাবা তোয়না থোকই। অমরোমদা অমুক ফৌ, গেহু, চুজাক্কুম্বগী পাম্বী মখলশিংদা য়াওবা Phylate কৌবা মচল অমনা মরম ওইদুনা মীওইবনা জিঙ্ক লৌশিনবগী চাং অসি নেমই। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনননা কুমজা ২০০২দা পীবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না মীওইবদা লায়না থোকহন্নবগী তোঙান তোঙানবা মরমশিংগী মনুংদা জিঙ্ক ৱাৎপনা মরম ওইরগা থোকহনবা লায়নানা মঙাশুবা মফম কল্লি।

ফৌগী পোত্থোক হেনগৎহন্নবা অমদি মীওইবা অমদি শা-ষণশিংনা দরকার লৈবা জিঙ্ক ফংহন্নবগীদমক ফৌ অমদি ফৌগী পোত্থোকশিংদা জিঙ্ক য়াওবগী চাং ৱাংখৎহন্নবা জিঙ্ক য়াওবা হারশিং লৌফমদা হাপ্পা অমদি জিঙ্ক মরাং কায়না য়াওবা পোৎলমশিং ফৌনা হৌরিঙৈদা মনাদা কাপ্তুনা ফৌ পাম্বীদা ফংহন্নবা হোৎনগদবনি।

ফৌগীদমক লৌ পরি অমদা জিঙ্ক কেজি ৫ ফাওবা শীজিন্নবা য়াই। হায়রিবা অসি ফংনবগীদমক জিঙ্ক সলফেট কেজি ২৫ লৌ পরি অমগী লৌফমদা চহী ৩-৪ কান্না কান্নরগা চাইবীগনি।

অমরোমদা অমুক Zincated Super Phosphate কৌবা জিঙ্ক ০.৫%গী চাংদা য়াওবা হার অসি দি এ পি (দাইমো), টি এস পি নৎত্রগা এস এস পি (সুপর) মহুত্তা শীজিন্নবনসু জিঙ্ক ৱাৎপগী খুদোংথীবদগী ঙাকথোকপদা মতেং পাংই। হৌরিবা ফৌগী মনাদা



জিঙ্ক সলফেট নৎত্রগা জিঙ্ক ঈ দি টি এ ০.৫-১%গী চাংদা ঈশিংগা য়ানশিন্নরগা ফৌনা মচা পোকপা মতম হায়বদি ফৌ লিংবদগী নুমিৎ ২৫-৩০নি শুবদা অমুক অদুগা ফৌনা মমি তল্লকপা হায়বদি লৌ লিংবদগী নুমিৎ ৫৫-৬০ শুবদা অমুক অদুগা থারোলকপা মতম অহুম অসিগী মনুংদা ২ নৎত্রগা ৩ লক কাপ্পীরবদি জিঙ্ক ৱাৎপগী খুদোংচাদবদগী ঙাকথোকই।

ফৌ পাম্বীদা কোকফাইনা থোকহনবা তোঙান তোঙানবা লায়নাশিং খুদম ওইনা ব্লাষ্ট, লিফ স্পোটনচিংবশিং ফানবা শীজিন্নবা য়াবা Polyrem (Metiram 75%) কৌবা হীদাক মখল অসিনসু জিঙ্ক ৱাৎপগী অৱাবা থেংনবদা মতেং পাংই।

অসুম্না অহেনবা পোত্থোক পুথোকপা ঙম্নবগীদমক অদুগা মীওই অমনা দরকার লৈবা জিঙ্ককী চাং অদু চানবা চিঞ্জাক্তগী ফংনবগীদমক ফৌ পাম্বী থাবদা জিঙ্ক শীজিন্নদুনা ফৌদা জিঙ্ক য়াওবগী চাং ৱাংখৎহন্নবা হোৎনবগী মতম য়ৌরে। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## লোকল এম এল এ/এদ্যুকেসন মিনিষ্টরবু থাগৎচরি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

চহীসিগী জুন ২১গী অয়ূক পুং ১০ রোম তাবদা থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকায়দা লৈবা গুরুকুল জুনিয়র হায় স্কুল অমসুং মসিগী এরিয়াগী পাক চাওবা অমসুং স্কুলগী ফীভম্বু য়েংশিনবীরম্বা থাংমৈবন্দ এ সীগী ওনরেবল এম এল এ অমসুং এদ্যুকেসন মিনিষ্টরবু, স্কুল ফগৎহনসি মিসনগী মখাদা শেমখিবা স্কুল অসিগী কম্মিটিগী মহুৎ শিঞ্জরগা মখাদা খূৎয়েক পীজরিবা ঐহাক্লা হায়নীংঙাই লৈতনা থাগৎচরি। অমুক্কা হেন্না ওনরেবল এদ্যুকেসন মিনিষ্টরবু থাগৎচরি মরমদি হায়রিবা ভিজিটিং নুমিৎ অদুগী মমাঙদগী নোং চিফেৎ চিফেৎ তাবনা মরম ওইরগা স্কুল তাবা লম্বী অদু অদুক্কী মতিক লৈখোম লৈনাংনা ফীভম থিনা ফৎখিদে। মদুদা ঐনা খঞ্জখি, লম্বীগী ফীভম অসিদবু কনানা লাকপীগবনো, লোকল এম এল এ নৎত্রগা মিনিষ্টরগী রিপ্রজেন্টেটিভ অমদা শীন্নরকপা য়াই হায়না। অদুবু শেমখ্রবা প্রোগ্রামনিনা য়ৌদবা য়াদে, য়েংদবা য়াদে হায়দুনা লেঙবীরক্তুনা স্কুল অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম্বু মীৎয়েং তাবীখিবা অদুক্কী মতিক থাগৎচরি। লোয়ননা অথুবা মতমদা স্কুল অসিবু শেমগৎ শাগৎপীদুনা অপগ্রেদ তৌবীদুনা অমদি লম্বী-থোং মতিক চানা শেম্বীদুনা লায়রবা ইমুংগী মহৈরোয়শিং তমহনবীনবা হোৎনবীয়ু হায়না পূক্নিং চিংশিঞ্জরি।

ইম্ফাল এরিয়াদগী খরা লাপ্পা অমদি প্রাইভেট স্কুল লিংবগী খুদোংচাবা লৈতবা মফমদদি গভর্ণমেন্টকী স্কুলশিং মশক থিরবসু, ফীভম ফৎত্রবসু মহৈরোয় অদুম য়াম্না তম্মী। অদুগা ইম্ফাল এরিয়াদদি প্রাইভেট স্কুলনা শৌগ্রি শৌবগুম লৈবনিনা গুরুকুল স্কুলগুম্বগী ফীভমসিদবু করম্বা মমা মপানা মচাবু মহৈ তমহন্নীংগনি। অদুগা মহৈরোয় য়াম্না তম্বা স্কুলবুনা স্কুল ফগৎহনসি মিসনগী মখাদা মীৎয়েং চংবীবা, স্কুল অনী অসি করিদগী করম্না খেন্নরকইবনো হায়বদুসু খন্থবা মথৌ তাব্রা হায়নসু থমজনীংই।

স্কুল অমদা তম্বা মহৈরোয় মশীং হন্থরকপা অসিগী মরম এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী অশোয়বা খরা লৈবদগী ওইরমগদ্রা নীংজে। মরমদি মণিপুরদা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট স্কুলশিং অসি জোন জোন খায়দোক্তুনা, স্কুল অদু অদুনা জোন অদুদা পুবা হায়না লৈরিবনি। অদুবু চহী চহীগী এগজাম রিজল্ট হায়দোরক্লবা মতুংদা স্কুল অদুগী এন্যুএল রিপোর্ট অমা স্কুল অদুগী ইনচার্জদগী কৌদুনা য়েংশিন্দবনা মরম ওইরগা মহৈরোয় তল্লক্তবা অমদি স্কুল শিথরকপগী মরম ওইরকই। স্কুল অমগী ক্লাস খুদিংগী মহৈরোয় মশীং কয়া এগজাম থাদুনা কয়া য়াম্না মায় পাকপা, ওজানা কয়া লৈবা, ওজা অমনা ক্লাস কয়ারক চঙবা, চহীদা ওজাশিংগী এবসেন্ট, ছুটিগী দিটেল, স্কুল এরিয়াগী পাক চাওবা, স্কুলগী ফীভম, স্কুলদা পীথরকপা শেনফম/ইনকমগী দিটেল অসিনচিংবা ইনফোর্মেসন কয়া কৌদুনা হৌখিবা চহীগা খেন্নবগী চাং শেন্নগা মথক থোংবশিংদা পীখত্তুনা খেন্নরিবা অদু ফগৎলক্লিব্রা-হন্থরক্লিব্রা হায়বদুগী মতুংইন্না মরক মরক্তা ইন্সপেক্সন চৎপীরবদি গুরুকুল স্কুলগী ফীভম অসুক হাক্লা শোকচিল্লক্লোই হায়না খঞ্জে। স্কুলগী ওজাশিংদা থিকা পীবগী থবক অসিনা মহৈরোয় মাঙনবগী মচাক অমনি হায়জনীংই।

প্রাইভেট স্কুলশিংদা মীগী মচাশিংসু তম্নে হায়দুনা লৈত-লৈত থি-হুমদুনা মিং চল্লুবা, লায়রবা মমা মপাগী মহৈরোয়শিংদি ফি থিবা ঙমদদুনা স্কুল তমদবা কয়া অমসু য়াওদবা নত্তে। মথক্তা হায়জখিবশিং অসি মীৎয়েং তাবীয়ু অমদি গুরুকুল স্কুলবু গভর্ণমেন্টকীনি খনবীরগা অমদি স্কুল অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা লায়রবা মহৈরোয়শিংগী খনবীরগা কুমজা ২০২৩-২৪ বেটচকী মিং চনবা নংনবা হোৎনবীরবদি এম এল এ অমসুং ওনরেবল এদ্যুকেসন মিনিষ্টরবু তাইবঙ শেম্বা মপুমক্লি হায়না লৈকায় মীয়াম্না খন্নগনি।

*অদোমগী - এলাংবম মনিহার (রোমেস)*
থাংমৈবন্দ গুরুকুল স্কুল মনাক

## ষ্টেটকী পাউ

### চহীগী মীফম পাঙথোক্তুনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (ঐচ এন এস): ফিক্সন এন্দ পোইট্রি ক্লব, মণিপুরগী চহীগী ওইবা জেনরেল বোদি মীটিং ঙসি অয়ুক লমদেং মখা লৈকায়দা লৈবা কবি থৌদাম নেত্রজিৎকী ময়ুমদা পাঙথোকখ্রে হায়না ফিক্সন এন্দ পোইট্রি ক্লব মণিপুরগী সেক্রেটরি লাইশ্রম লেনিননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ক্লব অসিগী প্রসিদেন্ট ডা. হৈস্নাম বুধিচন্দ্র অমসুং মপাও চেফোঙগী চীফ এদিটর ডা. চিরোম রাজকেতননা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবা মীটিং অসিদা ক্লব অসিগী সেক্রেটরি লাইশ্রম লেনিননা চহীগী ওইবা রিপোর্ট পীখি। ক্লব অসিগী ফাইনান্স সেক্রেটরি কৈথেল্লাকপম লন্দননা ফাইনান্সিএল রিপোর্ট মীয়াম মমাঙদা থমখি।

মীফম অসিনা ক্লব অসিগী মথংগী টর্ম ২০২২-২০২৪গী থৌ পুগদবা মীওই ১১ শাবা এগজিক্যুটিভ কম্মিটি অমসু খনখিবগা লোয়ননা ক্লব অসিগী হৌজিক প্রসিদেন্ট ওইরিবা ডা. হৈস্নাম বুধিচন্দ্রবু য়েৎনবা লৈতনবা মথং টর্মগী প্রসিদেন্ট ওইনা অমুক হন্না খনখি। অতৈ খনখিবা থৌ পুবশিংবদি ভাইস প্রসিদেন্টতা থৌদাম নেত্রজিৎ, সেক্রেটরিদা লাইশ্রম লেনিন, জোইন্ট সেক্রেটরি পরসুরাম থিংনাম অমসুং লৈশাংথেম দয়ানন্দনি। ফাইনান্স সেক্রেটরি ওইনা কৈথেল্লাকপম লন্দননি হায়রি।

মীফম অসিগা মরী লৈননা ক্লব অসিনা চেফোঙ মপাউগী এদিটোরিয়ল বোর্দ মেম্বরসু খনখি। বোর্দ মেম্বর ওইনা খনখ্রবশিং অদুদি চীফ এদিটরদা মণিপুরী দিপার্টমেন্ট এম য়ুগী এসোসিয়েট প্রোফেসর ডা. চিরোম রাজকেতন, এদিটর ওইনা দেবচান্দ অমসুং রনধির কুমার য়েন্দ্রেম্বমনি। জোইন্ট এদিটর ওইনা খনখ্রবশিং অদুনা নন্দো নিঙোম্বা অমসুং একেন্দ্র তেনসুবমনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## CONDOLENCES

A condolence meet was held on 7th August, 2022 at 8 a.m. to mourn the sudden and untimely demise of Pheiroijam Mantri Singh, member of the Association, with S. Radhadamudor Singh, President of the Association in the chair. The members of the Association prayed for eternal peace of the departed soul and shared the grief of the great loss with the bereaved family.

Sd/- **P. Kanhai Singh**
Secretary,
All Manipur Progressive Parents Association,
Mercyland, Mantripukhri

HL-P/3375/8

## সার সুধাকরদা থাগৎ ৱাহৈ পীজরি


সুধাকর (শামু)

ঐঙোন্দা নুঙ লৈবীরকপদগী সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই. টি. আই. মনাক ইম্ফালদা লৈবা মমিং লৈরবা নুঙ লায়েংবা পাবুং লাইশ্রম নবকিশোর পদ্মশ্রী এৱার্ডী (মেদিসিন)গী অনীশুবা মচানিপা লাইশ্রম সুধাকর হার্বেল ফিজিসিয়ন স্পেসিএলাইজ ইন য়ুরিনরি ষ্টোনগা উনজবগী তাঞ্জা অমা ফংজবদা ঐ য়াম হরাউখি। ঐঙোন্দকো লৈরম্বা নুঙদুসু শুপ্পতংগী হপ্তা ১দা তাহনবীরকপনে, ঐনা য়ুরিন পাস তৌবদা। মহাক্কী থৌজাল লৈবা, ঈংবা-তপ্পা, পূকচেল চাওবা নোল্লুকপা লায়েং মখল অদুবু ঐনা অসুক্কী মতিক থাগৎপীবনে। মহাকপু ঈশ্বরনা চানবীবা ওইসনু।

Sd/- **Mr. David Thurr**
Maibung Kom, Kangpokpi District

HL-P/3595/6,7,8

## শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নমঃ



পুর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বাইগী ইরক্তা তিল্লম্বা **কেশাম খোম্বা সিংহ-না** মহাক্কী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমসুং মরুপ-মপাং খ্বাই পূম্নমকপু থাদোক্লম্লগা, হৌখিবা তাং ০৫/০৮/২০২২ ইং, থৱানগী ৮নি পানবা ইরাই নুমিত্তা শ্রীগুরু কৃপাদগী বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে। লাক্লিবা তাং ০৯/০৮/২০২২ ইং, থৱানগী ১২ নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা অস্থি সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ১৭/০৮/২০২২ ইং থৱানগী ২১নি পানবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা লৈখিদ্রবগী শ্রাদ্ধ দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবীগী আত্মা শান্তিগীদমক ঙমজবা খরদং হরি সঙ্কীর্ত্তনগা লোয়ননা শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্র মহা প্রভুগী অগ্রদা কচ্চগদৌরি। উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লমন অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেংবীরক্তুনা হরিনাম শ্রবন তৌবীরনবা পাউচেগী থোঙদা নিমন্ত্রন কচ্চরি। পাউচেগী থোঙদা নিমন্ত্রন কচ্চবগী অপরাধ খিবিক ঙাকপীগনি।

**বিনিতগন ঃ-**

**কেশাম ওংবী অবেচা দেবী (লোয়নবী)**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| ১। কৈশাম ওংবী ইবেমহল দেবী | (মতৈমা) | | ১। কৈশাম গুনি সিংহ | (মপম্বৌ) |
| ২। কৈশাম ওংবী পুনিমাশি দেবী | (মতৈমা) | | ২। কৈশাম জদুমনি সিংহ | (ময়াম্বা) |
| ৩। কৈশাম ওংবী রাধে দেবী | (মতৈমা) | | ৩। কৈশাম তীকেন সিংহ | (ময়াম্বা) |
| ৪। কৈশাম ওংবী তোন্দোন (রমানি) দেবী | (মতৈমা) | | ৪। কৈশাম রোতোন সিংহ | (ময়াম্বা) |
| ৫। কৈশাম বোরমনি দেবী | (মমৌনুপী) | | ৫। কৈশাম সুরজিৎ সিংহ | (মনাওনুপা) |
| ৬। কৈশাম ধনাপ্রীয়া দেবী | (মচানুপী) | | ৬। কৈশাম নিল্লাকুমার সিংহ | (মচানুপা) |
| ৭। কৈশাম দোনা দেবী | (মচানুপী) | | | |
| ৮। কৈশাম থেনথেন দেবী | (মচানুপী) | | | |

থৌরম পরেং ঃ
সঙ্কীর্ত্তন হৌবা : অয়ূক পুং ১১:৩০

লাইরেনকাবী অৱাং লৈকাই

HL-P/3716/8

## দশা য়েংজরি



চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, অৱাংবা পরিক্ষা, শেল-থুম, লল্লোন-ঈতিক, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, মরুপ-য়েক্লবা, য়ুম-ইঙ্খোল হকচাংগী অফ-ফত্ত অসিনচিংবা কুঠী অমদি খুবাক ময়িদগী কুপথনা য়েংজরি।

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur

HL-B/7730/9/7-9/8

## খঙহঞ্জবা

Manipur Co-operative Societies Act 1976 কী মখাদা "Leichal Handloom and Handicraft Co-operative Society Ltd" Kongba Makha Nandeibam Leikai (Chongabi Thong), Imphal East, Manipur, 795008 অসি রেজিষ্টর তৌজরগনি। কনাগুম্বা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি ঙসিদগী ৭নি ফাওবগী মনুংদা য়েৎপীবা য়াগনি।

খঙহঞ্জরিবা : **Leichal Handloom and Handicraft Co-operative Society Ltd.**
Kongba Makha Nandeibam Leikai
(Chongabi Thong)
Imphal East, Manipur

HL-P/3615/8

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।